# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-06-2024)**

**নাব (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী লমজিং মখাদা চংশিল্লিবা ৱার ওন দ্রগসকী শরুক অমা ওইনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ানথৎতুনা মাঙহনবগী থবক খুমাং চাউশিননা চংশিনবা ঙমলে।

রাজ্যগী নার্কোটিক্স এন্দ এফিয়ার্স ওফ বোর্ডর (নাব) কী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইং ২০১৭ তগী ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা পুন্না লম একর লিশিং ১৮,৬৬৪.৫০ দা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ানথৎতুনা মাঙহনখি।

মসিগী মনুংদা, কাংপোকপী জিলানা খ্বাইদগী য়ামা লম একর লিশিং ৪,৩৯৭.৪০ দা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ানথৎতুনা মাঙহনখি। মসিগী মথংদা অনিশুবা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা উখ্রুল জিলাদনা লম একর লিশিং ৩,০১৮ দা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ানথৎতুনা মাঙহনখি। চুরাচান্দপুর জিলাদনা অহুমশুবা ওইনা লম একর লিশিং ২,৬৯৯.৮০ দা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ানথৎতুনা মাঙহনখি। তেংনৌপল জিলাদনা লম একর লিশিং ২,৫৭৫, চান্দেল জিলাদনা লম একর লিশিং ১,৯৮২.৫০, কামজোং জিলাদনা লম একর লিশিং ১,০৪৮.৫০ অমসুং সেনাপতি জিলাদনা লম একর লিশিং ১,৬৮২ দা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ানথৎতুনা মাঙহনখি।

**লো (এল)ঃ** অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিংগী মতাংদা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা সেনাপতি জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিনবা থৌরম অদু সেনাপতি পুলিস ষ্টেসন, মরাম বজার টাউন্দ হোল অমসুং তাদুবী পুলিস ষ্টেসনদা পাঙথোকখি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী মতাংদা মায়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা ঙরাং নার্কোটিক্স এন্দ এফিয়ার্স ওফ বোর্ডর (নাব) না শিনদুনা থৌবালগী অনন্দাপুরনা স্কুল ওফ সাইন্সেস-থৌবালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নাবকী এস.পি. ৱাথম বাশু অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** ৱান হেলথ দিভিজন, নেসনেল সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল-ন্যু দিল্লি, নেসনেল হেলথ মীসন, ইর্ন্টিগ্রেটেদ দিজিজ সরভিলেন্স প্রোগ্রাম মনিপুর অমসুং প্রোগ্রাম ফোর এপ্রোপ্রিয়েট টেকোলোজি ইন হেলথকা খুৎশমদুনা ঙরাং ভরচুয়েল ওইনা কেপাসিতি বিল্ডিংগী সেসন অমা পাঙথোকখে।

থৌরম অদুদা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওই ১২৬ রোম শরুক য়াখি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** ইম্ফালগী হোটেল ইমোলেসতা ঙরাং এভোরসনগী মতাংদা রাজ্য থাক্কী ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। ষ্টেট মেটরনেল হেলথ দিভিজন, ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মীসননা ইন্সটিট্যুট ওফ সোসিএল রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্টগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী চীফ মেদিকেল ওফিসারশিং য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**ব্লড (এল)ঃ** নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরগী লমজিং মখাদা এ.ভি.বি.দি. থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্সনা ষ্টেট ব্লড সেলনা শিনদুনা ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা নোংমগী ওইবা লেমা ঈ দান তৌবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঈ দান তৌবগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**কোন্থিং (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী কাতোমৈ অমসুং কাতোমৈ সেন্টরদা ঙরাং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, সেনাপতি পুলিস ষ্টেসন অমসুং ১৭৩ শুবা সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা য়ুম য়ুম চংদুনা থিবা হুন্থগী থবক চথখ্রে। অদুমওইনমক, মীফা মীপুনগী পাউদি লৈতে।

**ৱেদরঃ** রাজ্য অসিদা নোনে জিলানা খ্বাইদগী শাবা মফম ওইরে।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী পাউনা হায়-নোনে জিলাদা ঙরাং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩৮.২৩ ওইখি। কাংপোকপীদা সেলসিয়স দিগ্রী ৩১.৫৯, ইম্ফাল ইষ্টতা সেলসিয়স দিগ্রী ৩২.০৯, ইম্ফাল ৱেষ্টতা সেলসিয়স দিগ্রী ৩১.১৮, চুরাচান্দপুরদা সেলসিয়স দিগ্রী ৩১.০৬ য়ৌনা শাখি।

বিষ্ণুপুর অমসুং সেনাপতিদনা সেলসিয়স দিগ্রী ৩০ অমসুং ককচিংদনা সেলসিয়স দিগ্রী ২৯.৪৭ য়ৌনা শাখি হায়রি।

**স্কিম (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুবাসনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অমনা জিলা অসিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মখাদা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী ফিভম হন্না য়েংশিনখ্রে।

মীফম অদুদা শ্রী সুবাসনা ১৮ শুবা লোক সভা মীখল মায় পাকবা হোৎনবদা জিলা অসিগী ওফিসিএলশিংনা লৌখিবা থৌদাংব্ থাগৎপা ফোংদোকখি। দিপার্টমেন্টশিংনা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা সরকারনা মীয়ামগীদমক থাদরকপা স্কিম অমদি প্রোজেক্টশিং ফংফম থোকপা মীয়ামদা শোয়দনা ফংহন্নবা হোৎননবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা পাউতাক পীখি। জিলা অসিগী মনুংদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পশিংগী ফিভমসু হন্না য়েংশিনবগা লোয়ননা মরী

লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মখা তানা মতেং পাংননবসু শ্রী সুবাসনা খঙহনখি।

**স্পিকরঃ** ১৮ শুবা লোক সভাগী অধ্যক্ষ খন্নবা মীখল ঙসি পাঙথোক্লগনি। ফম অসিগীদমক এন.দি.এগী মীরেপ ওইনা বি.জে.পিগী মমাংগী টার্মদসু অধ্যক্ষ ওইখ্রবা ওম. বিরলানা মীরেপ ওইরি। অমরোমদা, বিরোধি ইন্দিয়া ব্লোক্কী ওইনা কংগ্রেস সদস্য-কে. সুরেসনা ফম অসিগীদমক মীরেপ ওইরি।

সরকার অমসুং বিরোধিগী মরক্তা অধ্যক্ষগী ফমগীদমক ঙরাং য়ান্নবা অমা পুরকপা ঙমখিদবদগী মীখল পাঙথোকপদা তাখি। সংসদকী মপানদা ৱা ঙাংবদা কেন্দগী মন্ত্রি-পিয়ুজ গোয়লনা হায়-কেন্দ্রগী মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ, অমিত সাহ অমসুং জি.পি. নদ্দানা কংগ্রেস লুচিংবা কে.সি.ভেনুগোপাল অমসুং দি.এম.কেগী সদস্য-টি.আর. বালুগা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। অদুমওইনমক, মখোয়না ওম. বিরলাবু লোক সভাগী সদস্য ওইনা লাউথোক্ত্রিঙৈদা দিপ্যুতি স্পিকরগী মিং লাউথোকবা দাবী তৌখি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা হায়-লোক সভাগী অধ্যক্ষ ফমগীদমক এন.দি.এগী মীরেপতা শৌগৎনবা থৌরাং তৌদুনা লৈ অদুবু উপ-অধ্যক্ষগী ফম অসি বিরোধি মীরেপতা পীগদবনি।

মরক অসিদা, লোক সভাদা ঙসি মরুওইবা হীরম কয়া লৌখৎকদৌরিবা অসিগী য়েংলগা কংগ্রেসনা হ্বিপ জারিখ্রে। লোক সভাদা কংগ্রেসকী সদস্যশিং অয়ুক পুং ১১ দগী সভাগী মীফম লোয়দ্রিবা ফাওবা লৈননবা দলগী চীফ হ্বিপ-কোদিকুনিল সুরেসনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা-সেন্ত্রেল ফোর্স থমজিল্লকপা য়ারোই, খুল ঙাকপা ফাবা য়ারোই হায়না মফম কয়াদা রেল্লি চৎখ্রে। পাউ চে অসিগী অহানবা হেদলাইন

ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-অঙোমচা বিমোল অকোইজম, অলফেদ কানঙম আথর এম.পি. ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। বিমোলনা মীতৈলোনদা, অলফ্রেদনা ইংলিসতা, পাউ অসি পিপল ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, ঈচেল এক্সপ্রেস, সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি। সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-মহৌশাগী ওইবা থৌশিল শিজিন্নদুনা শরেং মচা লৌরে হায়বা পাউ, পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা লোক সভা স্পিকরগী মীখল পাঙথোক্লুগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজ-জিরিবামদা শান্তি হনজিল্লক্লে, লাঞ্জেন্নরুবশিং ময়ুম ময়ুমদা হনজিন্নবা হৌরে, পুলিসনা পুং ২৪ ঙাক শেল্লি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি (নিট) গী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-দি.সোমায়া জলুনা রাজ্যপাল উন্নখিবগী পাউনা অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি মোরনিং বেলদসু ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-মিনিস্তর বিশ্বজিৎ স্পিকরগী য়ুমদা থোমজিনখ্রে, নার্কো-টেরোরিষ্টশিং মুথৎপা ঙমলোইদবা ওইরবদি ৱায়েল থৌদা মীয়ামদা শিন্নবীরো হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুরগী চীফ মিনিস্তরদি মীখলগী রিজল্ট লাউথোকপা নুমিৎতা রিজাইন তৌরম্বা য়ারবনি হায়না সি.পি.আইগী নেসনেল কাউন্সিলগী সেক্রেটরি-পালক সেন্ট গুপ্তুনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোংদা ফোংবা পাউচে গানফিয়ু মেলদা-ময়াই কাবা চিঙ্গাক অমদি ইলিসিট ত্রাফিক্কিংগী মতাংদা বাইক রেল্লি অমা চৎখিবগী পাউ মরুওইনা পাউ

অমা ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-মনিপুরগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল কোইজম অমসুং অলফ্রেদ কানঙম আথর, স্পিকর ভারক্রুহরি মহাতসবগী মমাংদা ৱাশক লৌখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-মনিপুরগী এম.পি. অনিনা ৱাশক লৌবা মতমদা পার্লিয়ামেন্ট মনুংদা মনিপুর-মনিপুর হায়না লাউখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।